অতেনবা পাউ

মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্নবা...

লমায় ১গী মখা

য়াই, জেএসিনা মরুওইনা তাল্লীবদি টিআরপিসিগী ৱারেপ অদু হনে দাক্কদবনি হায়বা অসিনি হায়নসু জেনরেল সেক্রেটরিনা পনখি।

জেএসিগী ফিরেপ্তি ইম্ফাল মনুংদা ওটো অমদি মিনিভান চংহন্দবগী মায়োক্তা লেপ্পনি, লৈঙাক্লা ভেহিকল কনভরসন পোলিসি শেমগদবনি অমদি পার্কিংগী থৌরাং পায়খৎপিয়ু, হিংননবা গাড়ি থৌজরিবশিংগী পুকচাক অমদি লম্বী থগৎপিগনু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পুং ৪৮ গী খোঙজং অসিগী মনুংদা মীয়ামদা অপনবা পীখিবা অদুগীদমকতসু মহাক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

কিষান সম্মেলন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘ, মণিপুর প্রন্তনা শিন্দুনা মে ২০ দা লৌমী ১৫০০ রোম্না শরুক য়াদুনা ইম্ফালদা কিষান সম্মেলন পাঙথোক্কদৌরি।

খুরাই লম্লোংদা লৈবা সঙ্গিট কালা সঙ্গম হোলদা পাঙথোক্কদবা কিষান সম্মেলন অসিগা মরি লৈননা ঙসি নুংথিল প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘ, মণিপুর প্রন্তকী সেক্রেটরি তেলেম দারানা হায়, মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিং অমদি ব্লোকশিং খুন ২০০ গী মথক্তা সঙ্ঘথন লৈরিবশিং অসিদগী কারকপা মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা সম্মেলন অসি পাঙথোক্কদবনি।

ওল ইন্দিয়াগী ওইনা রাষ্ট্রিয়া অধক্ষ্য ওইরিবা এসএন ভাসবেগোরানা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোক্কদবা সম্মেলন অসিগী ৱাখল্লোনদি ষ্টেট অসিগী লৌমীশিংগী লৈরিবা প্রোব্লেমশিং লৈঙাক্তা খঙহল্লগা লৌমীশিংনা ৱারিবা অসি কোক্লবা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌমিন্নবনি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা লৌমীশিং চাউখৎতনা ষ্টেট অসি চাউখৎপা য়ারোই হায়বা ৱাফম মখা তানা তেলেম দরানা ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালঃ পুং ৩৬ কি...

লমায় ১গী মখা

ফোঙদোরকপদা অপেনবা পোকখি, অদুবু নোংমা নিনি লৈরগা হেলঠ মিনিষ্টরনা মীয়ামগী পুক্নিং শোকপা ৱাফম মেদিয়াগী খুত্থাংদা ফোঙদোরকপদগী ইহৌ অমুক শাগৎখি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ঙরাং চীফ মিনিষ্টর উনজগে হায়দুনা ইম্ফাল তম্না লাকপা মীয়াম শওম্বুংদা থৎলগা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্পুনা তানখাইবগী মথক্তা জেএসিগী থৌমী অমদা অতম্না টিয়র গ্যাস সেল কাপশিল্লকপদগী ওইথংবা মখুৎ তেকখিবা তশেংবগীদি হাৎকে হায়বগী মতাঙুম পুলিসকী কা হেনবা থৌওং উৎথোকপনি হায়না জেএসিনা লৌই হায়বা ৱাফম মহাক্লা থমখি।

মীয়াম্না পেন্নদ্রিবা অমদি থম্মোয় শোক্লিবা অসি তাবীবগী মহুত্তা চীফ মিনিষ্টরনা ভিজিলেন্সপু থিগৎহনগনি হায়বা অসিদি মৈচাক হেন্না হাপ্পা অমদি মতম থিহনবা শীনবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়, ভিজিলেন্সপু ওইরবসু অতোপ্পা এজেন্সিনা ওইরবসু থিগৎহনবা মতমদা জেএসিনা তরাম্না ওকই অমদি মরাল লৈবশিং চৈরাক ফংজসনু, তৌবতবু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংবীগনু হায়বা ৱাফম হৌজিকসু জেএসিনা ৱাকৎচরি।

এপ্রিল ২৯ গী মতুংদা মখা তানা চীফ মিনিষ্টরগা উননবগী মতম পীবীদ্রি অমদি মীয়াম্মসু ইহৌ হৌদুনা লৈরে অমদি মসিমক্তি ৱাখৈ অমা পুরক্লবগী ফিবম নত্তবনা জেএসিনা চৎমিন্নরিবা লুপশিং অমদি মীয়ামগা পুন্না মে ১৯ গী অয়ুক পুং মঙাদগী মথং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং মঙা ফাওবা পুং ৩৬ কী মণিপুর পুম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌননবা ফিরেপ লৌরে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

নোংমগী চরা তাল্লিবা ইমা ইবেল অমদি মীয়াম্না জেএসিবু লান্না খনবীগনু অমদি খোঙজং অসি শৌগৎপীয়ু হায়না পল্লদজুনা মহাক্লা হায়, লাইনিং লাইশোন, অনা অয়েক অমদি মৈ ঈশিংগা মরি লৈনবশিং জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা কোমথোক্কনি।

চৈরক অসিদা ঙসি উয়ুমপোক্তা পাঙথোকখিবা খুঙ্গং চৎসি হায়বা থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর লাক্কনি হায়বগী পাউ অমা ঙরাংদগী খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদা শনে দারকপদগী ঙসি অয়ুক্তগী হৌনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

কৈবী, টাইগর কেম্প, য়ুম্নাম পাৎলৌ অমদি অতৈ খুঙ্গংশিংদা মরু ওইনা নুপীশিংনা অচৎ অওকশিং থিংখি।

অদুমওইনমক পুলিসকী অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা উয়ুমপোক্তা থৌরম অদু পাঙথোকখি অমদি চীফ মিনিষ্টরসু মফম অদুদা চৎখিদ্রে হায়রি।

রেপকা মরি লৈননা জেলদা থাজিনখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ নুপী মচা অমবু হঞ্জিন হঞ্জিন রেপ তৌবীখি হায়বা নুপা অমা ঙসি স্পিসিয়েল জজ পোক্সো, সেনাপটিগী মমাংদা পুথোক্লবা মতুং থা অসিগী ২৯ ফাওবা জেলদা থাজিনখ্রে। সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী কাঙবুনা ঙসি কোর্টতা পুথোক্লগা জেলদা থাজিনখ্রবা মীওই অদুগী মমিং সকাইয়া ৩৯ (অপোকপা আর হিংবা), সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী ময়াংখাং খুন্দা লৈবনি।

এপিপিগী খুত্থাংদা কেস অসিগী আইওনা পীখৎলকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না, থা অসিগী মরিগী নুমিদাং পুং তরেৎলোম তাবদা নোর্থ এওসিদা চহি নৌরিবা নুপীমচা অমা কঙাওননা চৎতুনা লৈরে হায়বা রিপোর্ট অমা নুপী অমনা চাইল্ড লাইন ইম্ফালদা পাউ পীরকপদগী নুপীমচা অদু লৌখৎলগা ৱাহং পাউহং তৌখি।

নুপীমচা অদুনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মহাক উখুলদগীনি অদুগা ময়াংখাংদা লৈবা মনেগী ময়ুমদা হৌখিবা চহি খরা অসি লৈরকপনি। অদুবু হৌখিবা নুমিৎ হুম্নি মরিনি অসিদা মনেগী নুপা (সকাইয়া) না মহাকপু হঞ্জিন হঞ্জিন ঈজৎ মাঙহনবগী থবক চখরকপদগী চেল্লকপনি।

তুংদা চাইল্ড লাইন ইম্ফালনা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট ইম্ফাল ইষ্টতা নুপীমচা অদু শিন্নরক্লবা মতুং থা অসিগী তরেৎকী অয়ুক পুং ৯.১০ দা ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন ইম্ফাল ইষ্টকী ওসিদা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট ইম্ফাল ইষ্টনা রিপোর্ট তৌরকপনি।

নুমিৎ অদুমক্তদা কেস অসি ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন, সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট শিন্নবগা লোয়ননা মরাল লৈবা সকাইয়া হায়রিবা মীওই অসি থা অসিগী নিপানগী নুমিদাং পুং ৮.৫০ রোম তাবদা ফারগা পুলিস কষ্টদিদা থল্লক্লবা মতুং ঙসি কোর্টতা পুথোরকপনি। কেস অসিগী আইওগী মায়কৈদগী কেস অসি মখা তানা থিজিনবদা খুদোং চানবা মরাল লৈবা মীওই অসি জেলদা নুমিৎ খরা থম্বীনবা হায়জখি। লোয়ননা করিগুম্বা বেল পীনবা থারক্লবসু বেল পীদনবসু কোর্টতা হায়জখি। আইওগী ৱারোল তারবা মতুং কোর্টনা মীওই অদু থা অসিগী ২৯ ফাওবা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ পীখি।

২ শুবা ভোল্যুম পুথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ সিনে রাইটরস এন্দ প্লেরাইট ফোরাম, মণিপুরনা থা ৪ / ৪ গী ওইনা পুথোকপা ***অশেংবা মাইথোঙ*** গী অনিশুবা ভোল্যুম লাক্লিবা জুন থাদা পুথোক্লগনি হায়রি। মরমদুনা ফোরম অসিগী মেম্বরশিংনা লমাই ৩ দগী হেল্লোইদবা লীলা মচা, দ্রামা মচা অমদি ৱারেং নৎত্রগা ঈশৈ ময়েকশিং লাক্লিবা মে ৩০ ফাওবগী মনুংদা ফোরম অসিগী হেড ওফিস ওইরিবা উরিপোক বাচস্পতি লৈকাইদা লৈবা ফোরমগী প্রিসিদেন্ট মনাওবী এমএমগী য়ুমদা পীশিনবীয়ু। অদুগা ফিল্ম ফোরম, মণিপুরগী কম্পোনেন্ট ওর্গেনাইজেসনশিংনা মশা–মশাগী ওর্গেনাইজেসন অদুগা মরি লৈনবা ৱারেং অমমম থারক্কদবনি হায়রি।

৭৮ কাবা কংগ্রেসনা...

লমায় ১গী মখা

এসনা গবর্ণমেন্ট শেম্বদা শৌগৎকনি হায়না লাউথোকখি।

হৌজিক লৈরিবা ফীবম অসিদা করম্বদা গবর্ণমেন্ট শেন্নবা কর্ণাটকাগী গবর্ণরনা ইনভাইট তৌরক্কদগে হায়বগী মতাঙদা অখঙ–অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা মতশিং পীনরি।

মণিপুর অমদি গৱাদা কংগ্রেসনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরবসু ষ্টেটশিং অদুগী গবর্ণরশিংনা কংগ্রেসপু হান্না ইনভাইট তৌখিদবা অমদি হন্দক্তা মীখল পাঙথোকখিবা মেঘালয়াদসু কংগ্রেসনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরবসু গবর্ণমেন্ট শেন্নবা গবর্ণরনা ইনভাইট তৌখিদবা য়েংলগা কর্ণাটকাদসু বিজেপিনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরবসু গবর্ণমেন্ট শেম্বা ঙম্বা মশীং শুদবনা কংগ্রেসনা শৌগৎপা জেদি–এসতা হান্না ইনভাইট তৌফম থোকই হায়রি।

অতোপ্পা খরনদি জেদি–এস অমসুং কংগ্রেসকি এল্লাইন্স মীখল মতুংদা শেমখিবা এল্লাইন্স ওইবনা গবর্ণমেন্ট শেম্বা ঙম্বগী মশীং শুরবসু সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরিবা বিজেপিবু গবর্ণমেন্ট শেন্নবা হান্না ইনভাইট তৌরক্কনি হায়না ফোঙদোক্রি। গবর্ণমেন্ট শেন্নবগী চরাংননা লৈরিবা ফীবম মরক্তা কংগ্রেস অমসুং জেদি–এসকি মায় পাক্লবশিং তাকথোক্তবা রিসোর্ট অমদা কেম্প তৌনবা বুক্কিং তৌখিবগা লোয়ননা কংগ্রেস অমসুং বিজেপিগী মরক্তা কন্না হুন্নরি।

নোংমা নিনিসিদি ইম্ফাল...

লমায় ১গী মখা

ওইশিল্লিবনি। লম্বী চিলহনবগী মথক্তা দিজল ইঞ্জিনগী থোরকপা মখোলনা পুল্লাং লাংই। মসিগী মথক্তা দিজল ওটোনা তারকপা কারন্দা পব্লিক ভেহিকলশিংনা খোংবা হোরোন্না অমুক্কা হেন্না লাংবগী চাং হেনগৎহল্লি।

চহি খরগী মমাঙদগী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা দিজল ওটোশিংদা পীরম্বা পার্মিট তোকখ্রে। পার্মিট পীবা তোকখ্রবসু পার্মিট পায়রগা দিজল ওটো থৌরম্বা অমনা মাগী দিজল ওটোদু য়োৎতেক থাংতেক ওনখ্রবসু পার্মিট অদুদি হিংলগা লৈহৌই। হিংলগা লৈহৌবা পার্মিট অদুনা অহনবা দিজল ওটো লৈরগা অমুক থৌরকই। সঙাই এক্সপ্রেসনা ঙসি ইম্ফাল সিটি মনুং কোয়না চৎতুনা য়েংবদা হান্নদগী য়াম্না চিক্লবা সিটি অমা ওইরে। মরু ওইবা লম্বীশিং পুমহাং হাংলে। দিজল ওটো, টাটা মেজিক অমদি টাটা ৱিঙ্গরশিং ইম্ফাল সিটি মনুংদা চংবা পুমতোক তোকখ্রবদি লাংবগী চাংদি শাথিনা হন্থরবা ফিবম অসিদা লৈবা য়াই অদুবু অহাংবা মচেৎ অমা ফাওবা লৈহন্নিংদবা পার্কিং ওইশিনগদবগী ঙাইদুনা লৈবা কাঙবুশিংগীদি চেকশিনহৌবা দরকার ওইরি। অমরোমদা মণিপুরগী লৈরক খুল্লক কাচিন কোয়া শীন থুংনা য়ৌবা ওটো, দিজল ওটো, টাটা মেজিক অমদি ৱিঙ্গরনচিংবনা গবর্ণমেন্টকি থৌওংদা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবদগী মীওই কয়া অমদদি হায়নিংঙাই লৈতনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে।

মণিপুরদা পেশেঞ্জর পুবা বসশিং মরাং কায়না সার্বিস তৌরক্তবা কুইরকপগা লোয়ননা লৈরক–খুল্লক য়ৌবা ওটোশিং লেপখিবদা মী ময়াম অমদি খোঙ তেকপগা মান্নদুনা চৎনিংবা মফমশিং চৎপা ঙমদনা লৈনরে।

খুৎলায় ৱাৎলবসু জেনিমসতা...

লমায় ১গী মখা

লোইরবা মতুংদা অনাবশিং থম্নবা অনসথেসিয়াগী ভেন্টিলেটরসু লৈত্রি। ন্যুরোসর্জরি ডিপার্টমেন্টগী এসোসিয়েট প্রোফেসার অমখক নত্তনা অতৈ ষ্টাফ অমত্তা লৈত্রি। মরম অদুনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা গবর্ণমেন্ট অসিনা খুৎলায়গী অৱাৎপা লৈহনবীদ্রবা অমদি ৱাৎলিবা ষ্টাফশিং হাপচিনবীরবদি কোক্কা মরী লৈনবা অরু–অরুবা ওপরেসন কয়া মখা তানা পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থল্লকখি।

মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল পাউমীদগী

থৌবাল, মে ১৫ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকি ৱাংজিং ৱাংখৈ লৈকায়দা লৈবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ ক্লব লিংখৎখিবগী অহানবা মপোক কুমওন নুমিৎকি থৌরম ঙসি ৱাংজিং নিংথৌ লাইকোন কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাংজিং তেন্থা এসিগী এমএলএ পাওনম ব্রোজেননা অথোইবা মীথুংলেন, য়ুপিসিগী প্রসিডেন্ট থিয়াম প্রোবিনকুমারনা থৌরম মপু, অদুগা থবক্তগী পোত্থারবা সাইখোম চাওবা, ৱাইকে কলেজ ৱাংজিংগী থবক্তগী পোত্থারবা এসোসিয়েট প্রোফেসর লাইরেনলাকপম বোন্দাস অমসুং ৱাংজিং–লমদিং ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী ভাইস চিয়রপর্সন হৈক্রুজম গৌরাঙ্গোনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এমএলএ ব্রোজেনননা হায়, অফবা খুন্নাই অমা পুরকপদা লৈকায় লৈকায়দা লৈরিবা ক্লব ওর্গনাইজেসন এসোসিয়েসন অমদি মৈরা পায়বী লুপশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈ, থৌদাং অদু লৌদুনসু লাক্লি। ঙসি লৈকায় লৈকায়গী ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনা তুংদা হৌরক্লিবা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা নহারোলশিংবু ময়াইকাবা নিশাগী ইপাক্তগী কন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি তশেংনা শিংথানিংঙাই অমনি। মীয়াম্মসু অসিগুম্বা খোঙথাং অসিদা মপুঙ ফানা শৌগৎফম থোকই হায়খি।

লৈকায়দা নিশা চাবা য়োনবা থিংনবা, শান্ন–খোৎনবদা মায় ওনশিন্নবা অমদি মহৈ–মশিং নিংথিনা তমহন্দুনা চাওখৎপা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা ক্লব অসি লিংখৎখিবনি হায়না ক্লবকি মায়কৈদগী থমখি।

বোম লৈরে হায়দুনা লম্বী থিংলুরে

ঐখোয়গী পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৫ঃ লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না নাপেৎ পল্লিগা লম্লাইগা তায়নবা পৌরাবী থোং য়ৌরমদাই ইম্ফাল–উখুল লম্বীগী মতাইদা বোম লৈরে হায়দুনা অয়ুক্কী পুং তরেৎতগী অয়ুক্কী পুং ১০.১৬ ফাওবা লম্বী থিংলুরে। কোন্না বোম ওইরমদবদগী লম্বী হান্নগুম থাখি।

ঙসি অয়ুক পুং ৬.২০ লোম তাবদা নোংপোক ককচিংদা লৈবা ১৫ শুবা আসাম রাইফলসকী খোঙনা পেট্রোল চৎপা কাঙবু অমনা লম্বীগী মতাইদা বোম ওইরমগনি চিংনবা পোৎশক (অমনবা খাউ) অদু লৈরম্বা থেংনবনি। বোম ওইরম্বা য়াই চিংনবদগী এআরগী কাঙবুনা স্নিফর দোগ পুরক্লগা চেক তৌহনবদসু বোম ওইরম্বগী মওং উখি।

মতমদুদা আসাম রাইফলসকী কাঙবুনা লম্বী অদু থিংদুনা মী অমত্তা মপা অদু ফাওদুনা চৎহনখিদে। ষ্টেট পুলিসকী বোম এক্সপার্টঅমদি এআরগী বোম এক্সপার্ট লাক্লবা মতুং য়েংবদা অমনবা বেগ অদুগী মনুংদা ফি খরগা প্লাষ্টিক বোট্টল অমগা য়াওরম্বা থেংনখি। বোম নৎত্রে হায়বা খঙবগা অয়ুক পুং ১০.১৬ লোম তাবদা থিংলম্বা লম্বী থাদুনা হান্নগুম অমুক মী চৎনখি।

ꯌꯨꯝ ꯂꯩꯍꯟꯕ

A TWO STOREY BUILDING FOR RENT

Location: Ghari Awang Leikai, Around 100 meters from Xtra Edge School and HRD Academy. **Ground floor:** 3 rooms(15 feetX 13 feet each) + 1 room (55 feet X 13 feet)+ Kitchen. **Top floor:** 3 rooms (15 feet X 13 feet each) + 1 room (55 feet X 13 feet).

The building consists of 8 rooms, 4 toilets, 2 bathrooms, 1 Kitchen & a spacious parking area. The entire plot along with the building is enclosed by proper brick walls and an entrance gate.

Deposit & Rent: Negotiable.

Perfect for setting up hostel OR coaching.

Contact: 7628077540 *TSE/1253–16,17*

ꯊꯨꯅꯥ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯏ / URGENTLY REQUIRED

Sl.No.	Post	Qualification/ Experience
1.	**Software Engineer / Web Developer** (Full Time) Salary : Rs. 12,000 & above	BCA/MCA/ BTech/ MTech. Prefer minimum 02 years of working experience in PHP/ MySql with Framework
2.	**Computer Faculty** (Partime/ Fulltime) Salary : Negotiable	BCA/MCA /PGDCA with experience in Tally + GST

Application should be emailed at vitsofts@gmail.com or whatsapp at **+91-8794106162** latest by 18th May 2018. Applicants should clearly mention the position applied for in the subject of email. *TSE/1270–16,17*

Kha Naorem Leikai, Pechu Lampak, Canchipur, Imphal- 795003

First Come *First Changed*

ꯅꯔꯁꯤꯡ ꯀꯣꯔꯁ / B.Sc. Nursing Course and GNM Nursing Course 2018-2019

=> Fee Structure :

1) **B.Sc. Nursing Course** – Rs. 80,000/ year
2) **GNM Nursing Course** – Rs. 70,000/ year

Both including Mass and Tuition Free.

=> Please contact office :

Office time : 9:00 am to 2:00 pm

Sunday is Holyday.

Khongnang Ani Karak, West Side Oil Pump - Imphal West.

Contact No. : 7005081458, 9615546773, 8837436620.

TSE/1247–16,18

OPEN ꯆꯤꯡ - ꯇꯝ OPEN

CHING-TAM HEALTH CARE

RIMS ROAD URIPOK HAORUNGBAM LEIKAI
IMPHAL WEST - 795004,

FOR DIABETES ONLY

Timing - 6.30 A.M. to 1 P.M.
From - 17/05/2018

Facilities available

(i) Fundus camera for Diabetic Retinopathy
(ii) Vibrotherm Dx - For Peripheral Diabetic Neuropathy
(iii) Versadop Dx - For Peripheral Vascular Disease.
(iv) LAB & ECG
(v) Life Style modifications

=> Medical Nutritional Therapy
=> Physical Exercise (Yoga)
a) Free treatment for 1 week
b) Free diabetic screening

For details & appointment
Please contact -
Mob 9485280504/7085198394

Tse/Rajesh (E)16,17,18 (E+M)

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref:- Mut. Case No. 647/SDC/IW(C)/9-5-2018.

Laishram Dayabati Devi W/o R.K. Meghajit Singh of Sagolband Bijoy Gobinda.

......Petitioner

- Vrs -

R.K. Meghajit Singh S/o (L) R.K. Muktasana Singh of Sagolband Bijoy Gobinda.

......O.P.Party

NOTICE

Imphal, The 14-5-2018

Under the Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মঃ পাট্টাদার R.K. Meghajit Singh পীং (L) R.K. Muktasana Singh সাং Sagolband Bijoy Gobinda গী মিংদা লৈবা ইঃওঃ তহসিলগী খুল নং 86-Bijoy Govinda গী অনৌবা পাট্টা নং 415 অরিবা পাট্টা নং 86/239 দাগ নং 3162 অমসুং এরিয়ানা .0455 (হেক্তর) চাওবা ইম্ঝোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি ... অসিনা মাগী / মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইম্ঝোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Imphal West (Central).

TSE/1245–16

BEFORE THE OATH COMMISSIONER BISHNUPUR, MANIPUR

ꯑꯦꯐꯤꯗꯦꯕꯤꯠ / AFFIDAVIT

I, **Lungdin Boinu Aimol**, aged about 54 years, D/o. (L) L.D. Jirpu Aimol, a permanent resident of Louchulbung Village, P.O., P.S. Loktak Project & District, Churachandpur, Manipur, do hereby solemnly affirm and state as follows :-

1. That, I am a bonafide & Law abiding citizen of India by birth.
2. That, due to bonafide mistake my name was wrongly recorded/enter as L.D. Boinu Aimol in my appointment order of my service whereas my actual and correct name is Lungdin Boinu Aimol. This is true to the best of my knowledge.
3. That, **L.D. Boinu** and **Lungdin Boinu Aimol** is the same person identified myself only for **"L.D."** is my surname written in short and notified as **"L"** for **Lung** & **"D"** for **Din**. This is true to the best of my knowledge.

I, Lungdin Boinu Aimol verified that the statements in Para No. 1, 2 & 3 are all true to the best of my knowledge and nothing false have stated.

Dated/Bishnupur
The 14th May, 2018 *TSE/1255–16*

Signature of Deponent
L.D. Boinu

ꯊꯥꯒꯠꯄ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ / পাবুং মঙ্গিবু থাগৎচরি



নুঙ লৈরে ওপরেসন তৌবা তারে য়েকপা লেংবা থিনবা খ্বাং নাবা য়াম্না কন্না হোৎনরে খাংবা ঙমদ্রে খুদক্তা থুনা চৎলি সলুংফম মমাং লৈকাইদা লৈবা শ্রী ঙাঙোম মঙ্গি, মোবাইল নম্বর (৮৭৩২৮৪৫৮৯৪) অসিদা ঈশিংদা শোল্লগা পীথকই থকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা অনাবা অয়ো অয়া ময়ামদো অমত্তা লৈত্রে ঐগী হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে বাবা মঙ্গিদি ঈশ্বরগী কৃপা লৈবা মীনি ঐগী থৱাই য়াম্না নুংঙাইরে বাবা মঙ্গিবু ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

থৌনিজরিবা – *ক্ষেত্রিময়ুম রাজেস সিং*
ককচিং

TSE/1218–16

ꯊꯥꯒꯠꯄ / অৱাবা ফোঙদোকপা

হৌখিবা তাং ১২–৫–১৮ ইংগী থাংজ নুমিত্তা মলোমগী ওইল দিপো মমাংদা লম্বীগী লাইবক থিবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা Malom Tulihal Development Committee মেম্বর ওইরম্বা **Thoudam Suresh (Ibochou), 42** অপোকপা Thoudam Maipak না মনুং মতম চাদনা মপুগী লৈকোলদা তিনখিবদা কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা মিনিৎ অনি (২) তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদবগী থৱাইনা ঈংনা চিক্লা তাইবং মপুগী মনাক্তা লৈরুনবগীদমক ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

Sdl- ***Th. Lalitkumar Meetei***
Gen. Secy., M.T.D.C.

TSE/1267–16

ꯊꯥꯒꯠꯄ / অমাংথোংগী অকোইবদা চাওনা মতুম ওইনা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্লগসু য়াম্না লিক্লা হাম্বা, খোঙ হাম্লমদাইদা পুক্তা য়েকপা থিনবা, পুক্তা নুংশিৎ কারগা চাবা থকপা য়াদবা ফহনবগীদমক ওজা MV Azad Phusam বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা নাদুনা অমাংথোংগী অকোইবদা চাওনা মতুম ওইনা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্লগসু য়াম্না লিক্লা হাম্বা, খোঙ হাম্লমদাইদা পুক্তা য়েকপা থিনবা, পুক্তা নুংশিৎ কারগা চাবা থকপা য়াদবা, চাবা তুমদবা, মশলশিং শেৎ–শেৎ চিংখাইরগা চিকপা নাবা, ফম্বী শোনবা, খ্বাঙ–য়াংলেন নাবা, লেংজুম অমদি ঙকশম মরি পানরগা চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাহুবা, নাহুবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎতবা খুৎনা ইনশিল্লবসু য়াম্না নাবা, হকচাং পাঙ্গল নোংম–নোংমগী শোহ্বরকপা, শাঙা থাও মোরোক চারগনা অমাংথোংদা নাই চারগা চিকপা নাবা অমদি শাবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, তাং তাং চিকপা তৌরম্বশিং অদু **Mv. Azad Phusam, # 7628890261, 9089738275** দা চত্তুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Mv. Azad Phusam** বু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফম :

1) Hatta Opp. Oil pump near Public Hospital, Imphal.
2) Bishnupur Bazar Ward No. 9. (Sat., Sun. & Mon. open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar.

থাগৎচরিবা – ***Ch. Babyla***
Wangoi

TSE/62–16

SAINIK SCHOOL IMPHAL

CONTRACT FOR SUPPLY OF SANITARY ITEMS & IT'S FITTING

1. Sealed rate quotations are invited from reputed firms / dealers for supply and fitting of misc sanitary items to repair school toilet for Cadets'. The details may be collected from school

Sl.	Description of items	Appx Cost (Rs)	Last Date for submission of Forms
(i)	P.V.C & C.P.V pipe	Rs. 1,10,000/-	22/05/2018
(ii)	Finishing materials		
(iii)	Fitting/Repairing Charge		

2. Forms along with Terms and Conditions could be obtained from the School Office between 1000 hrs to **1300** hrs on all working days w.e.f 16 **May 2018.** The tender will be opened on **22 May 2018** at **1100** hrs in presence of the tenderers. The Principal, Sainik School Imphal reserves the right to accept or reject any tender(s) without assigning reasons.

Tse/1256-16 (E+M)

28 HP | MF 6028

India's First Premium
COMPACT UTILITY TRACTOR
Faster Coverage | Most Reliable | Best Comfort

Toll Free 1800 4 200 200

AUTHORISED DEALER : EAST INDIA MACHINES COMPANY, MANTRIPUKHRI, IMPHAL.

8414966260 / 9612867412

Regd. No. 2257 of 2014

UNIFIED ACADEMY

"A Premier Coaching Institute for Medical and Engineering Entrance Exams."
"Nourishing and caring of human instincts"

ADMISSION OPEN

Regular Course for Medical Ent.(NEET-UG) - 2018-19

Special Features

- Freeship for meritorious students in Class X & Class XII.
- Concession for internal Students of UNIFIED ACADEMY.
- Freeship for meritorious students in NEET(UG) - 2018.

TSE/313-12M,13E..

For details:- Contact Office of the UNIFIED ACADEMY, Kwakeithel Bazar, Airport Road (10:00a.m. - 03:00 p.m.)

STUDY MBBS/MD IN ABROAD

BANGLADESH, CHINA, KAZAKH, KYRGYSTAN, GEORGIA, UKRAINE PHILIPPINES, SOUTH AMERICA

TSE/244-5E+M.

PLZ Contact **:- HAJI SALAM , JR INTERNATIONAL EDUCATION CONSULTANT, Khergao Thambalkhong, Near Cambridge School, Old Campus Imphal EAST, Manipur.**

Contact No. : 8974084294 , 9615706900, 8415930785, 8794249895